# অঙাং হাৎপা-ফাবা পুনবা থিংনবা
# মণিপুর ষ্টেট চাইল্ড পোলিসি শেম্বা মথৌ তাই

*-কম্মিসন*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ২০ঃ* মণিপুরদা নন- ষ্টেট এক্টর অমসুং ষ্টেট এক্টরশিংনা মফম খঙদনা অঙাং হাৎপা অমদি ফাবা পুনবা তৌরিবসিদগী কলহৌনবা মণিপুর ষ্টেট চাইল্ড পোলিসি শেম্বা মথৌ তাই হায়না নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ইম্ফালদা লাক্লম্বা নেসনেল কম্মিসন ফোরদি প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়ারপার্সন শ্রীমতি সন্তা সিনহানা ঙসি ইম্ফালগী ক্লাসিক হোটেলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা জানুৱারী ২৭ তা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কম্মান্দোনা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা শওহ্নুংদগী অহন্নেম অমুজাও লৈখিদবা অমসুং সাইলোন খুলদগী অঙাং অহুম লালহৌবনি হায়না ফারগা জেলদা থমজিনখিবগী থৌদোক থিজিন্নবা মে ১৮ দা ইম্ফালদা থুংলখিবা চেয়ারপার্সন অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না লুচিংদুনা লাক্লিবা কম্মিসন অসিগী মখাদা শেম্বা নোর্থ ইষ্ট সেল অসি য়াম্না শক্তি লৈবা টিম অমনি। মমাংদসু ঐচআইভি/ এইদস, লেবর য়াওনা অতৈ হিরম কয়াগী মতাংদা য়েংশিনবা লাক্লম্লে।

অমুজাও হাৎখিবা অমসুং চহি ১৮ গী মখাদা ওইগদবা অঙাং অহুম ফারগা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী লোকঅপতা নুমিৎ ৮নি থমজিনখিবগী মতংদা কম্মিসন্না ষ্টেটকী হোমদা চে থাদুনা খঙহল্লবসু হৌজিক ফাওবা পাউখুম পীরক্ত্রি। ৱাকৎ অসি কম্মিসন্না য়াম্না হকচিন্না লৌদুনা থিজিনবা লাকখিবনি।

থিজিন হুমজিনবসিগা মরী লৈননা সরকারগী ওফিসিয়েলশিং উন্নদ্রিঙৈ মাংওইননা ভিক্তিম ফেমিলি, ইন্দিপেন্দেন্ট ৱিটনেসশিং, এসপি ইম্ফাল ৱেষ্ট, হোম মিনিষ্টর, দিজিপি অমসুং দিসি শিং উন্নরে। হৌজিক ফাওবা থিগৎপদা থৌদোকসিদগী মতাংদা গেপ কয়া অমা লৈরে হায়বসি খঙলে। অমুজাও মীশিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টরনা মপুং ফানা থবক লৌখৎকনি হায়রবসু কম্মিসনগী অপাম্বদি থৌদোক অদু তশেংনা থোকখিৱ্রা নত্রগা থোক্তবরা হায়বসিনি।

অমরোমদা চহি ১৮গী মখাদা লৈবা অঙাং অহুম লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী লোক অপদা থমজিনবসি জুবেনাইল জষ্টিস এক্টকী মায়োক্তনি। মরম অদুনা এনসিপিসিআরনা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর দিভলপ তৌরগনি হায়খি।

চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবদনা লমদমসিগী অঙাংশিং মহৈ মশিং তম্বগী নামাদা খা ভারততা চৎপা কয়া থেংনরে। অঙাংশিং অসি হৌগৎলকপদা মমা-মপানা খঙনা চৎপা ওইরবসু তুংদা করি তৌরি খঙহন্দবা, মমা-মপাগা পাউ ফাওনদবা থৌদোক কয়া লৈরি। অসিগুম্বা ইলিগেল ওইবা থৌদোকশিং অসি থিগৎনবা টামিলনাডু অমসুং কর্নাটকা সরকারদা চে থাখিবা লৈরে। টামিলনাডুগী ওইনদি এক্সন লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। কর্নাটকাগীদি ফংদ্রি।

অঙাংশিংনা মখল-মখা কয়াগী থেংনরিবা খুদোংচাবশিং অসিদগী কলহৌনবা মণিপুর ষ্টেট চাইল্ড পোলিসি শেম্বা মথৌ তাই। পোলিসি অসি শেম্বদা দরকার লৈবশিং এনসিপিসিনা অঙম্বা মতেং পাংগনি। তৌবতবু ষ্টেট পোলিসি অদু দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্তা এপ্লাই তৌবা য়াবা মওংদা শেমগদবনি।

সিবিআইগী হান্নগী ডাইরেক্টর ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্না এনঐচআরসি গী দিজিপি ওইরিবা দিআর কার্টিন ঝ্যান য়াওনা চথখিবা থিজিন-হুমজিনখিবা অদুগা মরী লৈননা এনসিপিসিআর (নোর্থ ইষ্ট- মেল)গীস্পেসিয়েল এদভাইজর ডাঃ এলদি মিশ্রানা হায়খিবদা এনই সেলনা নোর্থ ইষ্টকী ওইবা ইশু কয়া লৌখৎলি। মসিদা প্রাইমারি এডুকেসন, সেকেন্দরি এডুকেসন, চাইল্ড লেবর, চাইল্ড ত্রাফিক্কিং, চাইল্ড সবষ্টেন্সেস এব্যুজ অমসুং ঐচআইভি/ ইশুশিং য়াওরি। ইশুশিং অসি এদ্রেস তৌনবা এক্সন প্লান শেম্বা তাই। হায়রিবশিং অসি মেক্রো-মাইক্রো লেভেলদগী এক্সন লৌগদবনি। মসিদা সরকারগী পাউখুম ঙাইরি। প্লান অসিগী পান্দমদি চাইল্ড প্রোটেক্সন অমসুং চাইল্ড দিভলপমেন্টনি।